# হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগতা ট্রাউ এফ সিনা ওজোন এফ সিবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
ট্রাউগী নাইজেরিয়ান ফোর্ৱাড জোসেপ ময়োলৱালগী অথেংবদা চনখিবা হেদ্দিংগী গোলনা ট্রাউ এফ সিনা ওজোন এফ সিবু মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা টিম অসিনা হৌখিবা মেটচ ৪ দা মায়থিদনা লাকপগী লম্বীদা অদুমক মখা তানা চত্থরক্তুনা মেটচ ৫ শান্নবদা ৫মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা লীগ অসিগী ফাইনেল রাউন্দ টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিন্দুনা হোম এন্দ এৱে বেসিক্তা চত্থরকপা হিরো সেকেন্দ দিবিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দ ২০১৮–১৯গী ১০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা ট্রাউ এফ সিনা ওজোন এফ সি বেঙ্গলুরুবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ট্রাউগী অনীশুবা হোম মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্তিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চত্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্তশিং অদু অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ট্রাউনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা হোৎন্নরক্তুনা হনবা লৈত্তনা এটেক চত্থখি।

ট্রাউগী অহানবা গোল অদু সন্দিপনা ক্লিয়ার তৌরকপা বোল অদু টিম অসিগী কেপ্টেন প্রিন্স ৱিল ইমেকানা চেনশিন্দুনা বোল লৌরগা খোঙলৈ য়াঙনা ওজোন এফ সিগী বোক্স তম্না পুশিনলগা সেলদোন রাক ৱানবু তুংওইনরম্লগা মেটচকী মিনট ৫৬ চৎপদা গোল একাউন্ট হাঙদুনা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ওজোন এফ সিগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা ট্রাউগী মায়কৈদা প্রেসর পীশিনলকখি। প্রেসর অদু ট্রাউনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী মেটচকী মিনট ৮৮ চৎপদা ট্রাউগী কৃষ্ণন্দনা শোয়বদগী ওজোনগী কেপ্টেন সবিটনা গোলদা ওন্থোক্তুনা গোল ১–১ দা মাননা লৈখি।

গোল মান্না লৈখ্রবা মতুংদা ট্রাউগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ৩ দা জর্সি নম্বর ৯ জোসেপ ময়োৱাগী হেদ্দিংদা চনখিবা গোল অদুনা ওজোন এফ সিদগী পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা ট্রাউগী জর্সি নম্বর ৯ জোসেপ ময়োৱাদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।।

ট্রাউগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৫ দা মিজোরামগী চিঙাভেঙগা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টিদিয়মদা শান্নগনি।

| Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| TRAU FC | 5 | 5 | 0 | 0 | 12 | 3 | 9 | 15 |
| Chhinga Veng FC | 5 | 3 | 1 | 1 | 10 | 5 | 5 | 10 |
| Ozone FC | 5 | 3 | 0 | 4 | 4 | 6 | -2 | 3 |
| Lonestar Kashmir | 5 | 0 | 1 | 4 | 3 | 15 | -12 | 1 |

# ষ্টেট য়ুঠ বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপদা য়ুঠ ক্লব উরিপোকনা নুপামচাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর বাস্কেসবোল এসোসিয়েসন অমদি মোদেল ক্লব চিঙামখা অনীনা পুন্না শিনল্লগা সাপম দেবেন সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ১৪ দগী নুপামচাগী টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চিঙামখাদা লৈবা মোদেল ক্লবকী বাস্কেটবোল কোর্টতা চত্থরকপা সাপম ওংবী সুরজলতা দেবী নীংশিং ২৭ শুবা ষ্টেট য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপ(বোইজ এন্দ গার্লস) ২০১৯দা নুপামচাগী চেম্পিয়ন য়ুঠ ক্লব উরিপোকনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা ঙসি য়ুঠ ক্লব উরিপোক অমদি ৱাই পি ঐচ য়ু ললাবুংনা শান্নখিবা নুপামচাগী ফাইনেল মেটচ অসিদা য়ুঠ ক্লমব উরিপোকনা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাবুংবু পাঞ্জল ৪৭–৪৬ (১৫–৬,১১–১০,৯–১২,১১–১৮) দা মায়থিবা পীদুনা ষ্টেট য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

মায় পাক্লবা উরিপোককী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ আর কে বিশ্বানাথনা পাঞ্জল ১৪,জর্সি নম্বর ১২ টি ঐচ হরসনা পাঞ্জল ১৪,জর্সি নম্বর ৮ ৱাই বিপিননা পাঞ্জল ১৪,জর্সি নম্বর ৪ আর কে দেবরাজনা পাঞ্জল ৩ অমদি জর্সি নম্বর ৬ এন প্রাবিননা পাঞ্জল ২ চনখি।

মায়থিরবা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাবুংগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ কৃষ্ণচারিনা পাঞ্জল ২১,জর্সি নম্বর ৮ টান্সন কে ঐচনা পাঞ্জল ১৬,জর্সি নম্বর ৯ জেটল্লি কেনা পাঞ্জল ৪,জর্সি নম্বর ১২ সি ঐচ খাগেম্বনা পাঞ্জল ৩ অমদি জর্সি নম্বর ১০ লনচেনবনা পাঞ্জল ২ চনখি।

ষ্টেট য়ুঠ বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী বেষ্ট স্কোলরনা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাবুংগী জর্সি নম্বর ৮ টান্সন কে ঐচনা পোইন্ট ৯০ স্কোর তৌদুনা তাখি। পাঙথোক্লিবা ষ্টেট য়ুঠ বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীমচাগী ৱিন্নরনা ই এস য়ু পেলেস কম্পাউন্দনা মোদেল ক্লব চিঙামখাবু পাঞ্জল ৩০–১৮ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রবনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপতা থাঙ–তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে




ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মৈতৈ নোংশা লাঙলোন থাঙ–তা কলচরেল ওর্গানাইজেসন মোইদাংপোক ব্রানসনা শিন্দুনা ঙরাংদগী ইপূধৌ কোরৌহনবা হরাওবুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী থাঙ–তাগী টিম ১০ দগী লাকপা নুপা শান্নরোই ১১৫ অমদি নুপী শান্নরোই ৬৬ না শরুক য়াদুনা চত্থরকপা ১৩ শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপতা থাঙ–তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা গোল্ড মেদল ১৩,সিলভর মেদল ১০ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩ পুন্না মেটচ ২৬ দা পোইন্ট ১১৬ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে।

ওভর ওল টিম রন্নস অপনা কঙলৈ থাঙ–তা শীন্দম শঙ মাকলঙনা পোইন্ট ১০৭ ফংদুনা তাখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নুপাগী বেষ্ট ফাইটরনা থাঙ–তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী এল বিদসাল শর্মা,নুপীগী বেষ্ট ফাইটরনা এ এন জে আই সঙাইপ্রৌগী টি ঐচ পুস্পারানি,নুপাগী বেষ্ট দিসিপ্লিননা এম এন টি সি এ মোইদাংপোককী সি ঐচ রিসিকান্তা অমদি নুপীগী বেষ্ট দিসিপ্লিননা পহুলাসি ময়াইকোইবীগী এ কে সুনন্দনা তাখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎদা শান্নখিবা সব–জুনিয়র গার্লস থাঙ হাইনবদা সি ঐচ অশারানিনা অহানবা অমদি টি ঐচ পুস্পারানিনা অনীশুবা তাখি।

সব–জুনিয়র বোইজতা ধনাজিৎ ৱাংখেমনা অহানবা অমদি এল বিশাল শর্মানা অনীশুবা তাখি।

জুনিয়র গার্লসতা এল সোফিয়ানা অহানবা,কে ঐচ প্রিয়ঙ্কনা অনীশুবা অমদি ও তোম্বীসনা অহুমশুবা তাখি। সেনিয়র মেনদা ৱাই রুহিনিকুমারনা অহানবা অমদি এল সোমোজিৎনা অনীশুবা তাখি। সেনিয়র ৱুমেনদা কে অনুপম্মা চনুনা অহানবা তাখি।

থাঙলোন কানলোন খুৎলোনগী সব জুনিয়র বোইজতা ঐচ রিয়োনেলনা অহানবা অমদি পি ঐচ বিশ্বাজিৎনা অনীশুবা তাখি। সব জুনিয়র গার্লসতা রোজিকা চনুনা অহানবা,চান্দনীনা অনীশুবা অমদি রোশিতনা অহামশুবা তাখি। সেনিয়র মেনদা টি ঐচ মোচানা অহানবা তাখি।

জুনিয়র গার্লস ফুন্নবা অনীশুবগী কেজি ৪০ দা এল উমানা অহানবা,কেজি ৪৪ দা ও তোম্বিসনানা অহানবা,কেজি ৪৮ দা এল সোফিয়া চনুনা অহানবা,কেজি ৫২ দা দয়ারানিনা অহানবা,পিঙ্কিনা অনীশুবা অমদি প্রিয়ানা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৫৬ তা মেরিনানা অহানবা,প্রিয়ঙ্কা চনুনা অনীশুবা অমদি রাঞ্জিয়ানা অহুমশুবা তাখি।

সেনিয়র ৱুমেন্স ফুন্নবা অনীশুবগী কেজি ৪৪ দা এস ঐচ সনাতোম্বীনা অহানবা,কেজি ৫২ দা এম প্রিয়া চনুনা অহানবা অমদি কেজি ৬০ দা কে অনুপামা চনুনা অহানবা তাখি।

জুনিয়র বোইজ ফুন্নবা অনীশুবগী কেজি ৪৮তা রিশিকন্তনা অহানবা,লময়ানবনা অনীশুবা অমদি রোসলেননা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৫২ দা উমাকন্তন অহানবা,ললিটমঙাংনা অনীশুবা অমদি ব্রজকুমারনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৫৬ তা ধিয়েননা অহানবা ,বরুননা অনীশুবা অমদি অরুনকুমারনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৬০ দা সেঞ্চুরিনা অহানবা,অবাসনা অনীশুবা অমদি রিমেক্সনা অহুমশুবা তাখি।

সেনিয়র বোইজগী ফুন্নবা অনীশুবাগী কেজি ৬২ দা পাবিনা অহানবা,ইশ্বরচান্দনা অনীশুবা অমদি নেটাজিৎনা অহুমশুবা তাখি।

# থোঙজু কেন্দ্র মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাঙখুৎনা শিন্দুনা শিংজমৈ কাঙশংদা থা অসিগী ১২ দগী টিম ১২ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইপোক্তুনা ৮ শুবা মঙশাতবম ইবোয়াইমা অমদি পূন্যাইবটি নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬০ গী লীগ কম নোক আউট কেন্দ্রা ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থোঙজু কেন্দ্রনা শিংজমৈ (বি) বু পাঞ্জল ১৭–১২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা থোঙজু কেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ চনখি। হয়েং খুন্দ্রাকপম অমদি থাংমৈবন্দনা শান্নগনি।

# গ্রাস রুট ফুটবোল দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
ফুটবোল গাইদেন্স ক্লব এস দব্লিউ সি খোঙমন অতোং লৈরক,সেন্টর ফোর মিদিকেল এন্দ সেলস রিপ্রজেন্টিভ য়ুনিয়ন, মিদিকেল এন্দ সেলস রিপ্রজেন্টিভ এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা এ এফ সি গ্রাস রুট ফুটবোল দে পাঙথোকখিবগা লোয়ননা গ্রাস রুট প্রোগাম অসিদা শরুক য়াখিবা নুপামচা অমদি নুপীমচা পুন্না শান্নরোই ১৫০ দা ফ্রি হেল্দ চেকঅপ অমদি মিদিকেল কেম্প অমসু পাঙথোকখ্রে।

# তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি ২০১৯ হৌখ্রে ও এফ এ পুংদোংবম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
ইষ্ট্রন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শিন্দুনা ই য়ু এস সি গ্রাউন্দা ঙসিদগী টিম ৩১ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা ১৪ শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি লম্লাই অমদি খুন্দ্রকপম কেন্দ্রা ভিলেজৱাইজ মেন্স সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা খোংবানতাবম ইবোমচা বি জে পি লিদর লম্লাই এ সি,থাঙজম ইমো সিংহ প্রসিদেন্ট তেলৌ জেইন্ট কো–ওপরেটিপ ফার্মিং সোসাইটি,অমোম জামিনি দেবী মেম্বর তেলৌ চনা জি পি ,ময়াংলাঙবম বীলাশিনি,প্রধান নোংদ্রেন চীংনুংখোক জিপি অমদি মোইরাংথেম নীংথেম প্রধান তখেল শঙ্গেবমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–ইগী মেটচতা ও এফ এ পুংদোংবমনা এস ৱাই দি সি য়ুম্নাম খুনৌবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীনা লম্বা চান্না শান্নদুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা এটেক চত্থনখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ও এফ এ পুংদোংবমনা এটেক হেঞ্জিলক্তুনা মায় পাক্লবা হোৎন্নরকপগী মহৈ অদু মেটচকী মিনট ৪৮ চপিদা জর্সি নম্বর ১০ বিজুনা মেটচকী মায় পাকপগী অমত্ত ঙাইরবা গোল অদু চনখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ দা লক্কিষ্টার অমদি সভেন ষ্টারনা অহানবা মেটচ,নুংথিল পুং ২.৩০ দনা সৈজাং এফ সি অমদি সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌনা অনীশুবা মেটচ অমসুং নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদনা ৱাই এম সি হরাওরৌ অমদি ৱাই পি এপ য়াইঙপোকপিনা অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# য়াম্বেম এফ সি য়াম্বেম অমদি গুনর এফ সি অঙথা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
ফ্যুচর ফুটবোল কোচিং সেন্টর,এফ এফ সি অঙথনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ২৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা অহানবা য়ুমলেম্বম বিজেন সিংহ মেমোরিয়েল জিলেজ ওপন ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়াম্বেম এফ সি য়াম্বেম অসি গুনর এফ সি অঙথা মায় পাকখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই দি সি সি কৈরাও অমদি ৱাই বি পি পুখাও দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা য়াম্বেম এফ সিনা ৱাই বি এ অঙথাবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা য়াম্বেম এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ এস ঐচ রোবিনসননা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ১ দা চনখি।

মেটচ অসিদা য়াম্বেম এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৮ এন রাহুলদা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ৱাই দি সিসি কৈরাও অমদি ৱাই বি পি পুখাও গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা গুনর এফ সি অঙথানা এ দব্লিউ বি আর ৱাই সি অন্দ্রেবু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা গুনর এফ সি অঙথাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ দেৱাননা মিনট ২৪,৩৩ দা গোল ২,জর্সি নম্বর ১৩ লকেননা মিনট ২১,জর্সি নম্বর ১৫ জেক্সননা মিনট ২২ অমদি জর্সি নম্বর ১১ হেমন্তনা মিনট ২৬ চনখি।

মায়থিরবা অন্দ্রোগী গোলশিং অদদুনা কলেনজাওনা মিনট ১৮,রমানদনা মিনট ৩৫ অমদি নাওবনা মিনট ৩৯ দা চনখি।

# তাম এফ সি অমদি সি পি সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,মে১৯ (এস এন এস) ঃ
তেন্থা খোঙবান ৱেল ফিয়ার এসোসিয়েসন (টি কে দব্লিউ এ)তেন্থা খোঙবাননা শিন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী মল্টিপেক্স গ্রাউন্দা তেন্থাদা টিম ৩৩ না গ্রুপ–১১ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা টি কে দব্লিউ এ ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা তাম এফ সি সেক্তা অমদি সি পি সি লমদিং মায় পপাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংন্নখ্রে।

টুর্নামেন্টকী ১৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা তাম এফ তসি সেক্তনা লাম এএফ সি চন্দ্রখোংবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা তাম এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ বিশ্বরজিৎনা মিনট ৫,১২,২০ দা গোল অহুম,জর্সি নম্বর ৬ এন জেম্সনা মিনট ২,৬ দা গোল অনী অদুগা অতোপ্পা গোল অমাদুনা অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১২ বসন্তনা মিনট ৩৩ চৎপদা চনখি।

১৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা সি পি সি লমদিংনা সেকমাই নিংথৌ কাইরংবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সি পি সিগী গোলশিং অদু গোপিনা গোল ২,জোসেপ অমদি কিসননা গোল অমমম চনখি।

হয়েং অহানবা মেটচতা রাঘু এফ সি অমদি এ স্করারনা নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নগনি অদুগা অনীশুবা মেটচতা সভেন ষ্টার অমদি এন ৱাই পি সিনা নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নগনি।

# ইপূধৌ নোংশাবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
করাম অৱাং লৈকাই য়ং ক্লব,করামনা শিন্দুনা করাম কাঙজেবুং লম্পাক্তা ঙসিদগী ২শুবা ষ্টেট লেভেল ইপূধৌ নোংশাবা সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা করাম ববুধোন এক্স–স্পিকর মণিপুর লেজিসলেটিপ এসেম্লিনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎত্তা এস দি সি শামুরৌ অমদি অপুন্নবা এফ সি সগোলবন্দনা শান্নখিবা মেটচতা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসিদা এস দি সি শামুরৌগী জর্সি নম্বর ১৯ পি ঐচ ষ্টিফেন অমদি জর্সি নম্বর ৮ জোনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# তোম্বনা সেনিয়র মেন্সকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর স্কউচ রেকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৭ দগী চীংমৈরোংদা লৈবা সেন্ট এন্থোনি স্কুলদা চত্থরকপা ৫শুবা ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র,জুনিয়র অমদি মাষ্টর চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ৭ শুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র স্কাউচ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী সেনিয়র মেন্সতা কে তোম্‌না অহানবা অমদি এন পেপ্রমজিৎনা অনীশুবা তাখ্রে।

মাষ্টরগীদনা এল মনোরঞ্জরোইনা অহানবা অমদি প্রাকাসনা অনীশুবা তাখ্রে।

সব জুনিয়র বোইজতা প্রুবনাস মঙাংনা অহানবা দিপারাসনা অনীশুবা,লনচেনবা অমদি দেনিসনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র গার্লসতা মোইরাংথেম লিঙ্ঘোইনা অহানবা,কে ঐচ মীরিনানা অনীশুবা,য়াসিতা থৌদাম অমদি মোইরাংথেম জয়া লক্সমিনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র বোইজতা রিচি নিংথৌজমনা অহানবা,লাইশ্রম ভেরিনাসনা অনীশুবা,থোইথোইবা লাইশ্রম অমদি মমাসাইনা অহুমশুবা তাখি।

# ওইনাম চার্লি নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মে ১৯ (এস এন এস) ঃ
ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল কম্মিটি অমদি ই সি অমসুং শিলো শিংজমৈনা পুন্না শিনলগা ওইনাম রোমেন সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ১৮ দগী চত্থরকপা ৫শুবা ওইনাম চার্লি নীংশিং দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্‌খিবা মেটচতা এস ৱাই দি সি শিনামনা এফ দি এস (বি) ৱাইখোম লৈকাইবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস ৱাই দি সি সিনামগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এস সনাজাওবনা মিনট ২২ অমদি জর্সি নম্বর ৮ এম রাজুনা মিনট ৫০ চৎপদা চনখি।

হয়েং সিয়ো শিংজমৈ খেত্রি লৈকাই অমদি সভেন ষ্টার (বি) শিংজমৈনা অহানবা,সভেন ষ্টার লংথ্বাল অমদি চিঙ্গু পাঙম্বা এফ সি সিনামনা অনীশুবা,সিদো এফ সি সপাম লৈকাই অমদি সিয়ো (এ) শিংজমৈ খেত্রি লৈকাইনা অহুমশুবা অমদি সভেন ষ্টার (সি) শিংজমৈ অমদি ৱাই দি এ থৌবাল হৌখানা মরীশুবা ওইনা শান্নগনি।





CHAOKHAT KHONGTHANG

LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.

Last Date of form Submission 26th June,2019

অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজৈ

Pliz Contact: 7005162621

SL / B / M / Packd.

Consolation Prizes

Mobile Handset
Television
Gas Frame
Mixer Grinder

Tick your choice


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com